# নিসানা কে আই ৱাই সি মায়থীবা পীরগা অহানবা ক্বার্টর চঙবা টিম ওইখ্রে

FOOTBALL

**TODAY MATCH**
YDO vs TRAU (1.30 PM)




নিসা অমদি কে আই ৱাই সিনা শান্নখিবা অহানবা প্রি-ক্বার্টর ফাইনেল মেটচকী মতাং অমা।

*ইম্ফাল, দিসেম্বর ২৭ঃ* চহী অসিগী মণিপুর ষ্টেট লীগকী চেম্পিয়ন ওইখিবা নোর্থ ইম্ফাল স্পোর্টিং এসোসিয়েসন (নিসা) থাংমৈবন্দনা ক্ষেত্রি ইরিল মপাল য়ূথ ক্লব (কে আই ৱাই সি) ক্ষেত্রি ইরিল মপালবু গোল ২-০ দা মায়থীবা পীরগা ৫৭ শুবা সার চুড়াচান্দ সিংহ, কে সি এস আই, সি বি ঈ মেমোরিয়েল ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৩গী অহানবা ক্বাটর ফাইনেল চঙবা টিম ওইখ্রে।

ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিয়েসননা শিন্দুনা ইম্ফালগী মপাল কাংজেবুংদা চখৎরিবা টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা অহানবা প্রি ক্বাটর ফাইনেল মেটচ অদুগী অহানবা হাফকী শরুক্তা টিম অনীমক্না গোল অমত্তা চন্নবা ঙম্মখিদ্রবসু অনীশুবা হাফকী শরুক্তা নিসানা গোল ২ চন্দুনা অহানবা ক্বাটর ফাইনেল চঙবা টিম ওইখিবনি।

নিসাগী মায়পাকপগী গোল অনীমক অদু এল সনাতোম্বনা ৬৫ অমদি ৮৪ শুবা মিনিটতা চনখিবনি। কে আই ৱাই সি ক্ষেত্রি ইরিল মপালনা প্রি-ক্বার্টর ফাইনেলগী থাক য়ৌরকখিবা অসি ক্বালিফায়িং রাউন্দগী চঙলকখিবনি। নিসাগী মায়

**57TH CC MEET FOOTBALL**

পাকপগী গোল অনীমক অদুগী ক্রেডিটতি সেনিয়র প্লেয়র এম বিজেন সিংহগীনি। অহানবা গোল অদু বিজেননা পীরকখিবা নিংথিজরবা পাস্তা জি গোলমৈনা অমুক শমদুনা এল সনাতোম্বনা হেদিংদা চনখিবনি। অনীশুবা গোল অদুসু বিজেননা পীরকখিবা পাস্তা এন জিমিনা অমুক শম্লগা সনাতোম্বনা চনখিবনি।

মেটচ অদুগী ৭৮ অমদি ৮৫ শুবা মিনিটতা নিসাগী পি রোমেশ অমসুং কে আই ৱাই সিগী টি ঐচ রবিচন্দ্রদা রেফ্রিনা য়েল্লো কার্ড অমমম বুক তৌখি।

মেটচ অদুবু মিৎয়েং তাখিবা মমাংগী চেম্পিয়ন নেরোকাগী কোচ টি ইবোমচানা ঙসিগী মেটচ অদুগী মতাংদা ঐখোয়গী পাউমীদা ফোঙদোরকখিবদা কে আই ৱাই সিগী ষ্ট্রাইকর অনীনা য়াম্না ফজনা শান্নরবসু সপ্পোর্ট অমত্তা লৈতবনা মায়থীবা নংখিবনি। নিসানা ঙসিগী মেটচ অদু য়াম্না তপথনা শান্নখি। অহানবা হাফকী শরুক্তা শোইদনা গোল চনবা য়াবা তঞ্জা অনী ফংখি অদুবু গোল ওন্থোকপা ঙমহৌখিদে।

মতুংদা লাক্কদৌরিবা মেটচশিংদা মায় পাক্কে হায়রবদি ঙসিদগী হেন্না ফজনা অমদি চেকশিন্না শান্নবা মথৌ তারি হায়না মখা তাখি।

## জুনিয়র নেস্নেল ৱুসু চেম্পিয়নসিপ হৌখ্রে

# অহৌবা নুমিৎতা মণিপুরনা গোল্ড ২ লৌখ্রে

WUSHU

| MEDAL TALLY | | | |
|---|---|---|---|
| TEAM | G | S | B |
| Manipur | 2 | 1 | 0 |
| Delhi | 1 | 1 | 0 |
| Jharkhand | 0 | 0 | 1 |
| Punjab | 0 | 0 | 1 |



জুনিয়র নেস্নেল ৱুসু চেম্পিয়নসিপ হৌদোকপগী থৌরমগা মরী লৈননা উৎখিবা দেমোন্সট্রেসন।

*ইম্ফাল, দিসেম্বর ২৭ঃ* মণিপুরনা য়ুম্বু ওইদুনা ঙসিদগী খুমন লম্পাক ইন্দোর ষ্টেদিয়মদা ষ্টেট ২৭ কী শান্নরোই ৩৩৯ না শরুক য়াদুনা ১২ শুবা জুনিয়র নেস্নেল ৱুসু চেম্পিয়নসিপ ২০১৩ হৌখ্রে।

অহৌবা নুমিৎতা য়ুম্বু মণিপুরনা টাউলু ইভেন্টকী ননক্কানদা গোল্ড ২ লৌখ্রে। নুপামচাগী মণিপুরগী ঐচ রমানন্দা মৈতৈ অমদি দিল্লিগী নিরজ পস্বাননা পোইন্ট ৮.৬৬ ফংমিন্নদুনা গোল্ড ফংমিন্নখি। মণিপুরগী ঐচ কংলৈঙানবা সিংহ অমদি সের বহাদুরনা মথংশিংনা পোইন্ট ৮.৫৯ অমসুং ৮.৪৬ ফংলগা সিলভর অমসুং ব্রোঞ্জ লৌখ্রে। ইভেন্ট অসিমক্কী নুপীমচাগীদা মণিপুরগী টি অরিতা দেবীনা পোইন্ট ৮ ফংলগা গোল্ড, দিল্লিগী রিজিনা তমাংনা পোইন্ট ৭.৬৫ ফংলগা সিলভর অমদি ঝারখন্দগী গীতা জালসোনা ৭.৬০ ফংলগা ব্রোঞ্জ লৌখ্রে।

চেম্পিয়নসিপ অসিদা শরুক য়ারিবা ষ্টেটশিং অদুদি অন্ধ্র প্রদেশ, অরুনাচল প্রদেশ, আসাম, বিহার, চান্দিগড়, ছটিশগড়, দমান এণ্ড দিয়ু, দিল্লি, হরিয়ানা, হিমাচল প্রদেশ, জম্মু এণ্ড কাশ্মীর, ঝারখন্দ, কর্নাতাকা, কেরালা, মধ্যপ্রদেশ, মহারাষ্ট্র, মেঘালয়া, মিজোরাম, নাগালেন্দ, পোন্দিচরি, পঞ্জাব, রাজস্থান, টামিল নাদু, ট্রিপুরা, উত্তর প্রদেশ, ৱেষ্ট বেঙ্গল অমদি য়ুম্বু মণিপুরনি।

চেম্পিয়নসিপ অসি মণিপুর পোল্যুসন কন্ট্রোল বোর্দকী চীয়ারমেন ডাঃ এন জি বিজয় সিংহ, য়াস অমদি আর্ট এণ্ড কলচরগী কম্মীস্নর ডাঃ আর কে নিমাই সিংহ অমদি দি আই জি রেঞ্জ থ্রি ওইরিবা এস মঙলেমজাও সিংহনা মথংশিংনা চীফ গেষ্ট, প্রসিদেন্ট অমসুং গেষ্ট ওফ ওনর ওইখি। ওট টেকিংনা ইন্টরনেস্নেল প্লেয়র এন পুস্পানা লৌখি।

শান্নরোই অসিনা হন্দক্কী চেম্পিয়নসিপ অসিদা টাউলু ইভেন্টকী মশান্না অহুমদা শরুক য়াগনি।

## এম য়ুগী জুদো টিম লাওথোকখ্রে

*ইম্ফাল, দিসেম্বর ২৭ঃ* জি এণ্ড দি য়ু, অম্রিদসরদা মথং চহীগী ফেব্রুৱারি ৭ তগী ৯ফাওবা অমসুং থা অসিমক্কী ১২ দগী ১৪ ফাওবা পাঙথোক্কদৌরিবা ওল ইন্দিয়া ইন্টর য়ুনিভর্সিটি ৱুমেন্স এণ্ড মেন্স জুদো টুর্নামেন্ট ২০১৪ দা মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী মহুৎ শিন্দুনা শরুক য়াগদবা জুদোকানশিং দিপার্টমেন্ট ওফ স্পোর্টস মণিপুর য়ুনিভর্সিটিনা লাওথোকখ্রে।

মেন্সকী জুদোকাশিং অদুদি কে জি ৫৬ কীদা এন আই ঈ আই আই টি ঈ কলেজকী এম থিরেন সিংহ, কে জি ৬০ গীদা ষ্টেন্দর্দ কলেজগী এস অনিলকুমার সিংহ, কে জি ৬৬ কীদা ময়াই লম্বী কলেজগী এস সোমোকান্তা সিংহ, কে জি ৭৩ অমদি ৮১ গীদা মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী কে প্রদিপ সিংহ অমসুং টি ঐচ অথোই সিংহ অমদি কে জি ৯০ গীদা প্রভাবতি কলেজগী বিপিন চোংথামনি।

ৱুমেন্সকী জুদোকাশিং অদুদি কে জি ৪৪ গীদা ওরেন্টেল কলেজগী এল সনাতোম্বী দেবী, কে জি ৪৮ গীদা এস কে ৱুমেন্স কলেজগী ৱাই সঙ্গীতা দেবী, কে জি ৫২ অমদি ৫৭ কীদা প্রভাবতি কলেজগী কে ঐচ জোসিলা দেবী অমসুং টি সনামচা দেবী, কে জি ৭০ গীদা এন জি কলেজগী বিদ্যাবতি দেবী অমদি কে জি ৭৮ গীদা এস কে ৱুমেন্স কলেজকী এম সর্জুবালা দেবীনি।

খল্লবা জুদোকাশিংনা মখা তাবা কোচিং মথং থাগী ৮ দগী ২০ ফাওবা পাঙথোক্কনি। মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী টিম অসি অম্রিদসরগীদমক মথং চহীগী ফেব্রুৱারি ৩ দা ইম্ফাল থাদোক্কনি।

## কেনেদিনা ফিফা এসিষ্টেন্ট রেফরি ওইবা মণিপুরগী অহুমশুবা রেফরি ওইরে



*ইম্ফাল, দিসেম্বর ২৭ঃ* সাপম কেনেদিনা মণিপুরগী ফিফা এসিষ্টেন্ট রেফরি ওইবা অহুমশুবা রেফরি ওইখ্রে। ওল ইন্দিয়া ফুটবোল ফেদরেসননা চহী অসিগী ওইনা ফিফা এসিষ্টেন্ট রেফরিগী এপ্রুব তৌখিবদা মণিপুরগী হান্নগী ফিফা এসিষ্টেন্ট রেফরি এম মাঘো সিংহ য়াওনা নৌনা কেনেদিবু খল্লকখিবনি।

সাপম কেনেদি ওক্রম চুথেক ইম্ফাল ইষ্টতগীনি। ষ্টেট রেফরিগী লমদা হৌখিবা ইং ২০০২ তগী চঙলকখি অদুগা ২০০৯ দা নেস্নেল রেফরি ওইরকখিবনি। মশাগী চহী ৩৪ শুরবা রেফরি অসিনা চহী অসিগী হৌখিবা সেপ্টেম্বর ৬ তগী ১০ ফাওবা মলেসিয়াগী ক্বালালম্পুরদা পাঙথোকখিবা এ এফ সি এলাইট অমদি এসিষ্টেন্ট রেফরি কোর্সতা শরুক য়াখি। ইন্দিয়াগী হৌজিক্কী ওইনা ফিফাগী এসিষ্টেন্ট রেফরি তরুক লৈবগী মনুংদা কেনেদিসু য়াওরি। মহাক লাক্কদৌরিবা ফেদরেসন কপ্পা কন্দক্ট তৌগদৌরি। ঙসি অহানবা ওইনা সি সি মিটকী এসিষ্টেন্ট রেফ্রি নম্বর ২ ওইনা শরুক য়াখি।

## হেন্দবোলগী শান্নরোই ৩০ খনগৎখ্রে

*ইম্ফাল, দিসেম্বর ২৭ঃ* আসামগী জোরহাটতা মথং চহীগী জনুৱারি ৬ তগী ১১ ফাওবা পাঙথোক্কদৌরিবা জুনিয়র বোইজ নেস্নেল হেন্দবোল চেম্পিয়নসিপ ২০১৪ দা শরুক য়ান্নবগী মণিপুর টিম শেম্নবগী কোচিং কেম্পকীদমক মণিপুর হেন্দবোল এসোসিয়েসননা শান্নরোই ৩০ খনগৎখ্রে।

শান্নরোইশিং অদুদি ৱাই এল কেগী দব্লিউ সোলিন, এল রোহেন, এস ওপেন্দ্রো, টি ঐচ সোলেন্দ্রো, সিটিজন্সকী ঐচ মালেমঙানবা, এন প্রিন্স, পি জি কামসংলেন, টি ঐচ সুনিল মৈতৈ, ঐচ উতম, এম সঞ্জেস, ৱাই রোমারিও, এস চিঙ্খেহুনবা, কে ঐচ থাঙম্বা, এল দব্লিউ ৱাই সিগী কে এস ঐচ সুর্জিৎ সিংহ, টি ঐচ আনন্দা, ও টোনি, টি দিনমনি, পি সিগী এ হেমচন্দ্র, ঈ রোকেশ, টি মেঘজিৎ, আই এম সিগী এল মঙালসনা, এস ঐচ সন্তোস শর্ম্মা, এল চিঙ্খেঙানবা, সাইদোলগী এ রোয়কুমার, এন জয়কুমার, এন ৱার্জিৎ, ৱাই বন্তোস, কে ঐচ সৈত্যবর্ত্তা, কে ঐচ রোমারিও অমদি কে দেবিদ জোন্সননি।

খল্লবা শান্নরোইশিংনা হয়েং অয়ুক্কী পুং ৭ তাবা মতমদা খুমন লম্পাক হেন্দবোল গ্রাউন্দদা লাক্কুনা এসোসিয়েসনগী ভাইস প্রসিদেন্ট আর কে কুলজিৎ সিংহদা রিপোর্ট তৌরগদবনি হায়না মণিপুর হেন্দবোল এসোসিয়েসনগী জেনরেল সেক্রেটরি এল মঙলেম সিংহনা প্রেস্তা থাদোরকপা চেরোল অমনা খঙহল্লক্লি।

## এম য়ুগী আর্চরি টিম শেমগদৌরি

*ইম্ফাল, দিসেম্বর ২৭ঃ* পঞ্জাব য়ুনিভর্সিটি, চান্দিগড়দা চথং চহীগী জনুৱারি ১৮ দগী ২২ ফাওবা পাঙথোক্কদৌরিবা ওল ইন্দিয়া ইন্টর য়ুনিভর্সিটি মেন্স এণ্ড ৱুমেন্স আর্চরি টুর্নামেন্ট ২০১৩-১৪ দা শরুক য়ান্নবগী মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী আর্চরি টিম শেম্নবগী কোচিং কেম্প অমা থা অসিগী ৩০ দগী মথং চহীগী জনুৱারি ১০ ফাওবা মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী স্পোর্টস কমপ্লেক্সতা পাঙথোক্লগনি।

কোচিং অসিদা শরুক য়ান্ননবা খনখ্রবা আর্চরশিংনা এম য়ু স্পোর্টসকী এসিষ্টেন্ট দিরেক্টর ডাঃ সি ঐচ প্রদিপ কুমার সিংহদা রিপোর্ট তৌরগদবনি হায়না এম য়ু স্পোর্টস দিপার্টমেন্ট চেরোল অমনা খঙহল্লক্লি।

## নজির য়ুনাইটেদ মায় পাকখ্রে

*ইম্ফাল, দিসেম্বর ২৭ঃ* ৫ শুবা এম রবিচন্দ্র মেমোরিয়েল ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৩ গী ঙসি শান্নখিবা মেটচতা নজির য়ুনাইটেদ ক্ষেত্রিগাওনা দব্লিউ এল এফ সি ৱাইখোম লৈকাইবু গোল ৭-৩ দা মায়থীবা পীখ্রে।

ক্যামগৈ আইদিয়েল হায়স্কুল গ্রাউন্দদা এম রবিচন্দ্র ট্রসনা শিন্দুনা চখৎরিবা টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা মেটচ অদুগী নজির য়ুনাইটেদকী মায় পাকপগী গোলশিং অদু সোভানা ২২, ২৯, ৪৫, ৫০ অমদি ৫৪ শুবা মিনিটতা মঙা, সহিদ ৱাহাজ অমদি সুরেশ রাইনা ৭ অমসুং ৪৪ শুবা মিনিটতা অমমম চনখিবনি। দব্লিউ এল এফ সিগী গোলশিং অদুনা এস সন্তোস, এম মাদন অমদি আর কে রোসননা মথংশিংনা ৯, ৩২ অমদি ৫৯ শুবা মিনিটতা অমমম চনখিবনি।

# ‘নুপীগী ফুটবোল চাওখৎহন্নবা টুর্নামেন্ট অমদি দিভলপমেন্ট প্রোগ্রাম কয়া পাঙথোকপা দরকার লৈ’




কোচ চাওবা অমদি ফুটবোল্লর ওফ দি ইয়র তাখ্রবী বেমবেম ওকপগী থৌরমদা চাওবনা ৱা ঙাংখিবা।

*ইম্ফাল, দিসেম্বর ২৭ঃ* ইন্দিয়াগী নুপী ফুটবোলদা মণিপুরনা চাওনা মাঙজিল থাদুনা লাক্লম্লবসু ঙসিদি নোংমা নোংমগী মরাই চাইথরক্লিবা অসি কোকহনগে হায়বা তারবদি ষ্টেট অসিদা নুপীগী কম্পিটিসন কয়া অমদি গ্রাস রুট লেভেলগী ওইবা দিভলপমেন্ট প্রোগ্রাম কয়া পাঙথোকপা দরকার লৈ হায়না ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট ফুটবোল এসোসিয়েসনগী ভাইস প্রসিদেন্ট দব্লিউ মোবিমচা সিংহনা ফোঙদোকখ্রে।

ৱাফম অসি এসোসিয়েসন অসিনা শিন্দুনা মপাল কাংজৈবুংদা পাঙথোকখিবা জুনিয়র গার্লস নেস্নেল ফুটবোল চেম্পিয়নসিপকী চেম্পিয়ন ওইরকখ্রবা মণিপুরগী কোচ এল চাওবা দেবী অমসুং চহী অসিগী ওল ইন্দিয়া ফুটবোল ফেদরেসননা ফুটবোল্লর ওফ দি ইয়রগী এৱার্ড পীখ্রবী ও বেমবেম দেবী ওকপগী থৌরমদা ফোঙদোকখিবনি।

মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখিবদা নুপী ফুটবোল চাওখৎহন্নবগীদমক ষ্টেট অসিদা হৌজিমক্কী ওইনা চাওখৎ থৌরাং অমত্তা লৈতে। ঐখোয় পুম্নমক্না নুপী ফুটবোলবু চাওখৎনবগীদমক্তা পুক্নিং থৌগৎপা মতম ওইরে। দিষ্ট্রিক্ট এসোসিয়েসন অসিনা হৌখিবা চহী কয়াদা নুপী ফুটবোল চাওখৎহন্নবগীদমক দিষ্ট্রিক্ট অসিগী মনুং চন্না লৈবা তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা ফুটবোল দিভলপমেন্ট কয়া পাঙথোকখি অদুবু শেল-থুমগী অৱাবা কয়া লৈবনা মরম ওইরগা পাঙথোকনিংবা মফম কয়াদসু পাঙথোকপা ঙমখিদে।

লৈবাক অসিগী অমদি ষ্টেট অসিগীদমক নুপী ফুটবোলবু চাওখৎননবা হোৎনবদা ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট ফুটবোল এসোসিসেয়ননসু অঙম্বা হোৎনগনি অমদি সজেসন কয়া পীরকপগা লোয়ননা পুন্না চৎমিন্নসি হায়নসু আপিল তৌখি।

ফুটবোল্লর ওফ দি ইয়রগী এৱার্ড ফংখ্রবী ও বেমবেমনা ফোঙদোকখিবদা চহী খরদি অঙম্বা থাক্তা শান্নখিগনি অমদি লমদম অসিদগী অফাওবী ফুটবোল্লর কয়া পুথোক্লবা হোৎনবদা মহাক্কী মায়কৈদগী চাওনা মতেং পাঙগনি হায়খি।

**Millennium Institute of Sciences**
*Presents for the first time*

**MILLENNIUM SCHOOL**

From 2014-15 Academic Session opening

**Daycare, Prenursery, Nursery Classes & K.G.**

From this Academic Session onwards at Sagolband Salam Leikai, Imphal - 795001

**Special features :** AC room for daycare

- Home away from home for day care
- Hygienic mid day meal for day care
- Audio Visual Classrooms
- Play-way method of teaching system
- Well equipped teaching and playing materials of latest technologies
- Well experienced and trained faculties with seniors from Delhi Public School.

*Form available from 7th November 2013*

@ Millennium School Office, Sagolband Salam Leikai.
& Millennium Institute of Sciences, Kwakeithel Mayaikoibi.

SL/29/19/B




Published by Nongpok Publishers Pvt.Ltd, Printed at Advance Printers, Sega Road, Konjeng Hajari Leikai Imphal Editor in charge: **H. Achouba Sharma,** RNI Registration No. 31350/ 77; Tel # 2459064, 2441490
*e-mail : sanaleibakdaily@yahoo.com, sanaleibakdaily2008@gmail.com,*